# রিও ওলেম্পিক্স গেমস মীৎ থক্লবা মৈগী কুম্মৈ, নাৎকী জগোয় উৎতুনা হরাও তয়াম্না হৌখ্রে





রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৬ ঃ

সাউথ অমেরিকানা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা ব্রাজিলগী রিও দি জানৈরোদা লৈবা মারকানা ষ্টেদিয়মদা মৈগী কুম্মৈ, নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈশগা লোয়ননা ৩১শুবা রিও সম্মর ওলেম্পিক্স গেমস ইরাইনুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা হৌদোকখ্রে।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি ২০৭ তগী এথলেট ১১,৪০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা মার্স পাস চৎতুনা মালেমদা শান্তি পুরক্নবা অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্দুনা থম্নবা পান্দমদা খোল্লাও অমত্তা ওইনা লাউদুনা হৌদোকখি।

গেমস অদুদা রিফ্যুজি ওলেম্পিক টিম (আর ও টি) য়াওনা কোসোভো অমদি সাউথ সুদানসু অহানবা ওইনা শরুক য়াখি।

গেমস অদু লৈবাক অসিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মাইকেল টেমরনা প্রিসাইদ তৌদুনা হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি।

গেমস অসিদা অপুনবা কম্পিটিসন ৩০৬ তা লম্বানদুনা মেদলশিং পীগদৌরিবা অসিদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না নৌনা হাপচিল্লকখিবা রগবি সভেন অমদি গোল্ফ য়াওনা অপুনবা দিসিপ্লিন ২৮ পাঙথোক্কনি।

হায়রিবা মশান্নশিং অসি য়ুম্বু ওইরিবা সিটি রিও দি জানৈরোগী মফম ৩৩ অমদি ব্রাজিলগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি ওইরিবা সাও পাউলো, বেলো হোরিজেন্টে, সালভাদোর, ব্রাসিলিয়া অমদি মনাওসকী মফম মঙাদা পাঙথোক্কনি।

রিও দি জানৈরোদা লৈরিবা মীওই লিশিং ৭৮ হেন্না চনবা মরাকানা ষ্টেদিয়মদা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী হৌদোকপগী থৌরমদা চিক্না চাইনবা ঙমদনা য়াম্লবা মীয়াম্না চোন্না তিনখি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমস হৌদোকপগী থৌরম অসি মালেমগী মীওই বিল্লিয়ন অহুমরোম্না টি ভিদা য়েংখি হায়না পানরি। পুং অহুম চুপ্পা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা ব্রাজিলগী নাৎকী ওইবা থৌরমশিংগা লোয়ননা জগোয়-ঈশৈশিং, ফাইয়র ৱার্কদিসপ্লেশিংনা মপুং ওইনা উৎখি। ওলেম্পিক্স অসিগী চেকশিন-থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা আর্ম ফোর্স ৮৫,০০০ হেনবনা গেম অসিবু শোয়দ-ঙামদনা চথনবা মথৌ পাঙথোক্লি।

মালেমগী লৈবাক ২০৭ তগী য়াল্লবা এথলেট ১১,৪০০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা এথলেট অহুম নৎত্রগা অহুম ফাদবা লৈবাক ২০ য়াওখি। লৈবাকশিং অদুগী মনুংদা অফঘানিষ্টান, বেলিজ, গাম্বিয়া অমদি সাউথ সুদান য়াওরি।

লৈবাক ৯ না মখোয়গী এথলেট ২/২ খক্তংনা শরুক য়াখি অদুগা লৈবাক অমগী এথলেট অমখক্তনা শরুক য়াবসু য়াওরি। ওলেম্পিক্স অসিদা খ্বাইদগী পীকপা দেলিগেসন ওইরিবা সাউথ পেসিফিক নেসন টুভালুনা মসিগী স্প্রিন্টর ইটিমোনি টিসুৱানিনা মহাক্কী লৈবাক্কী ফিরাল পুদুনা চৎকনি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী পীকপা লৈবাকশিং অদুদি টুভালু, সোমালিয়া, চাদ, দোমিনিকা, ইক্কেটোরিয়েল গিনি, রিপব্লিক ওফ নাউরু, ভুটাননা ওইখি।

## ইন্দিয়ানা আইয়রলেন্দবু মায়থীবা পীখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৬ ঃ

ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথবা হৌখ্রবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী হোকিগী গ্রুপ বিগী মেচতা আইয়রলেন্দবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেন হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রুপিন্দর পাল সিংহ গোল অনী অমদি ভি আর রঘুনাথনা গোল অমা চনখি। অদুগা আইয়রলেন্দগী গোল অদুনা জর্মিননা চনখি।

টিম অনীগী গোলশিং অদু পেনালটি কোর্নরদা চনখি। ইন্দিয়াগী কিপর পি আর শ্রীজেস অমদি আইরিসকী গোলি হার্দনা মখোয় মখোয়গী মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং উৎতুনা গোলশিং সেফ তৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ক্বার্টর ফাওবদা গোল ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মখা তানা ইন্দিয়ানা তকখৎখিবা প্লে অদুদা অনীশুবা ক্বার্টর ফাওবদা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মথং মথং চনশিনখিদুনা আইরিসপু নমহৎতুনা চৎখি।

ইন্দিয়াগী লাইবক থীবা অমদা মনিকা বত্রনা ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী টেবল টেনিস ইভেন্টতা ৪-২ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

অমরোমদা লীএন্দর পেস অমদি রোহন বোপান্নানা পোলিসকী দো লুকাস কুবোট অমদি মার্সিনগী মখূৎতা ৬-৪, ৭-৬ তা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

| | MEDALSTALLY | G S B T |
|---|---|---|
| 1 | USA | 1 0 0 1 |
| 2 | CHINA | 0 1 1 2 |
| 3 | AFGHANISTAN | 0 0 0 0 |
| 4 | ALBANIA | 0 0 0 0 |
| 5 | ALGERIA | 0 0 0 0 |
| 6 | AMERICAN SAMOA | 0 0 0 0 |
| 7 | ANDORRA | 0 0 0 0 |
| 8 | ANGOLA | 0 0 0 0 |
| 9 | ANTIGUA AND BARBUDA | 0 0 0 0 |
| 10 | INDIA | 0 0 0 0 |

## য়ু এস এগী থ্রেশরনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



য়ু এস এগী নহা ওইরিবী ভির্জিনা থ্রেশরনা শুটিংদা রিও ওলেম্পিক গেমসকী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। মশাগী চহী ১৯ শুরবী নুপীমচা অসিনা মিটর ১০ গী নুপীগী এয়র রাইফলদা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি।

# রিও ওলেম্পিক্স গেমস হৌদোকখিবগা মরী লৈননা ৱান মাইল রেস পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ ঃ

রিওদা চথবা হৌখ্রবা ওলেম্পিক গেমসকা মরী লৈননা এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুর অমসুং ফর্টনিটি ওফ স্পোর্টস পার্সন মণিপুর অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ৱান মাইল রেস পাঙথোকখ্রে।

ৱান মাইল রেস অসি ওলেম্পিক দেগী থৌরমগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু নুমিৎ অদুদা মণিপুরদা জেনরেল ষ্ট্রাইক লৈখিবা মরম্না য়েথোক্তুনা ওলেম্পিক হৌদোকপা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱান মাইল রেস অদুদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা এথলেটশিংনা শরুক য়াদুনা অথোই অহেন তান্নখি।

ৱান মাইল রেস অদুদা এস আর ও ৱাইগী য়ুম্নাম অর্জিৎনা ৪:৩৭.২৭ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা অহানবা পোজিসন তাখি। এস আর ও ৱাইগী খুন্দোম রোমাজিৎনা ৪:৪১.১০ সেকেন্দা পন্থুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। ঐচ ৱাই সি হাওরৈবিগী কাঙুজম সাইমন্দনা ৪:৪৬.৭২ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

এস আর ও ৱাইগী লৈরাওরম্বম সোমোরেন্দ্রোনা ৪:৪৭.০১ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা মরিশুবা, ঐচ ৱাই সি হাওরৈবিগী সাপম রোমেসনা ৪:৫৩.৩৩ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা মঙাশুবা অদুগা এল এস এ লিলোংগী এম দি সিদিক্কা ৪:৫৩.৬২ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা তরুকশুবা পোজিসন তাখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এথলেটিক এসোসিএশন ওফ মণিপুর অমসুং ফর্টনিটি ওফ স্পোর্টস পার্সনগী প্রসিদেন্ট এল অজিৎনা প্রিসাইদ তৌদুনা শান্নরোয়শিংদা ত্রোফি য়েন্থোকখি।

# লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগতা কে পি এস সি অমসুং এস দব্লিয়ু সি কৈরক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ককচীং পোপুলর স্পোর্টি ক্লব (কে পি এস সি) ককচীং অমসুং সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) কৈরক মায় পাকখ্রে।

ককচীংগী সুপর দিভিজন লীগকী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা জুলাই ২৪ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ককচীং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি এস সি) ককচীংনা আইদিএল য়ুথ এসোসিএশন (আই ৱাই এ) ককচীং গোল ৬-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা কে পি এস সি ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি।

মেচ অদুদা কে পি এস সি ককচীংগী পি বোইনাওনা গোল অহুম মেচকী ২২, ৫৩ অমসুং ৮৭ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। ৱাই জুলেটনা গোল অমা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা, ৱাই কিষন্না গোল অমা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা অদুগা এন সঞ্জিৎ কুমারনা গোল অমা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি।



মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা আই ৱাই এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন হেপিসন্না মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা কে পি এস সি ককচীংগী শান্নরোয় এন জেনেল মেচকী অরোইবা মীকুপ্তা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্না এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোংগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখি।

হাফ মতুংদসু এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা শান্নরকপনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখি।

মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী অহানবা গোল এম এদিসন্না মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ৱাই ঙানবনা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা অদুগা এম বিশ্বানাথনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা এস দব্লিয়ু সি কৈরক্কী টি ঐচ বিঙ্কিমদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# চান্দম ইনুংঙানবী মিনি বোইজ ফুটবোলদা কুকি এস সি অমসুং এন ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কুকি এস সি অমসুং এন ৱাই সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা কুকি এস সিনা এল এফ সি গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কুকি এস সিগী শান্নরোয়শিং অদুনা মেচ শান্নবা হৌখিবদগী হৌনা বোল পায়দুনা এল এফ সিগী মায়কৈদা গোল চন্নবা এটেক কয়া চথখি। মায়থীহৌরবা এল এফ সিনসু কুকি এস সিগী মায়কৈদা গোল চন্নবা লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু টিম অদুগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কোওর্দিনেশন ৱাৎখিবা মরম্না গোল অমত্তা কুকি এস সিগী মায়কৈদা চনশিনবা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা কুকি এস সিগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা গোল মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু মায় পাকখি।



ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এন ৱাই সিনা সিনলোন ক্লব গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এন ৱাই সিগী শান্নরোয়শিং অদুনা অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা অমসুং মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নদুনা সিনলোন ক্লবকী মায়কৈদা মিকুপ কাংদনা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথখি। অদুবু শিনলোন ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক ফনা কন্না হোৎনখি অদুবু গোল ২ দগী হেন্না হন্দোকপা ঙমখিদবনা মায়থীখি।

হয়েং অহানবা মেচ পি ৱাই সি অমসুং ইচেল ক্লব দিবোংগা শান্নগনি অনীশুবা মেচ চিংকিম ৱাই সি অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লবকা শান্নগনি।

## স্পোট ক্লাইম্মিং কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ ঃ

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএশন (এম এম টি এ) না শিন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী ১৮ ফাওবা স্পোট ক্লাইম্মিং কোর্স অমা মিনুথোংদা লৈবা কংলা আর্টিফিসিএল ক্লাইম্মিং ৱালদা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ ৭ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোট ক্লাইম্মিং কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপা অমসুং নুপীশিংনা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী ওফিসতা লাক্তুনা পার্টিসিপেসনগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি।

শরুক য়াগদবশিংনা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি হায়না এম এম টি এগী সেক্রেটরি ৱাই সুরচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা এম এম টি এগী মেম্বর ওইরিবশিংনা ওগষ্ট ৬ তগী হৌরগা ১৫ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী মেম্বরসিপ রিন্যু তৌগদবনি। লোয়ননা এম এম টি এদা নৌনা মেম্বর ওইনিংবা মীওইশিংনসু মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী ওফিসতা লাক্তুনা মেম্বরসিপকী ফোর্ম লৌদুনা পীশিল্লকপা য়াগনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলসু এসোসিএশন অসিদা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# রিওদা শরুক য়ারিবা এথলেটশিংবু মায় পাক্নবা য়াইফ মঙ্গল পীদুনা রন ফোর রিও পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ ঃ


ব্রাজিলগী কোনুং রিও দি জানৈরোদা হৌদোকখ্রবা ৩১ শুবা সম্মর ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এথলেটশিং অমদি লমদমসিদগী শরুক য়ারিবা ওলেম্পিয়ন তরুক্তা য়াইফ থৌজাল পীদুনা মায় পাক্নবগীদমক দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি মীওই ৫০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা রন ফোর রিও পাঙথোকখ্রে।

রন ফোর রিও অসি ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা হোকি ষ্টেদিয়মগী গেটতগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর (আই এ এস) না চীফ গেষ্ট ওইদুনা লমথাখি।

রন ফোর রিও অদুদা লমদমসিগী নেসনল প্লেয়র, ইন্টরনেসনল প্লেয়র কয়াগা লোয়ননা কোচ কয়াসু শরুক য়াখি। রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী এথলেটশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা রন ফোর রিও অদু খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী লমথাদুনা দিঙ্কু রোদ ফাওরগা চীংমৈরোং, নোর্থ এ ও সি তম্না লাক্লগা এম এম টি এ মমাঙদা লাক্তুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পন্থুংফম ওইখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর ঐচ দিলিপ (আই এ এস) না লমদমসিদগী শরুক য়ারিবা ওলেম্পিয়ন তরুক্তা য়াইফ থৌজাল পীদুনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com